**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-07-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-লৈলোন ৱাইফৈদগী নমদুনা ফাখিবগী থৌদোক অদুদা চেন্নবশিংগী মথক্তা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎতুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সঙাইথেলগী ওলিম্পিয়ান পার্কতা লৈবা সিদস কমপ্লেক্সতা উনিংথৌ উয়োক হৌদোকপগী থৌরম য়াওবা লাকপদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-থৌদোক অদুনা শোকহল্লবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা পীবা পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা থৌদোক্তুদা য়াওরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই অনিদি হান্ননা ফারে।

মহাকা হায়-মে ১৩ দা শকখঙদবা মীওইশিংনা এম্বুলেন্স তৌরকপদা পাস্তর অহুমগী পুন্সি মাঙখি। মহাকা হায়-মদুগী তুংদা, কুকি মিলিটেন্টশিংনি চিংনবা মীওইশিংনা লৈলোন ৱাইফৈদগী মীওই ১৮ লোম ফাখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই ১২ না থাদোরকখি অদুগা তরুক অমনা ফাজিলহৌখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মীতৈ অমসুং নাগাগী এম.এল.এশিংগা লোয়ননা মহাকা মখান খুলদা থৌদোক্তুদা অৱাবা নংলবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উন্নবা চৎলুই। মদুদা, মখোয়না থৌদোক্তুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই মঙাগী মরমদা ফোংদোরকখি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা মীওহ অনি ফাবনি। লেমহৌরিবা মীওইশিং অদুগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মখোয়বু ফাবা হায়বসি সরকার অমদি আইন ঙাক্লিবা এজেন্সিশিংগী দায়ত্বনি অমসুং মখোয়বু ফানবা হান্ননা খঙহনখ্রে।

মদুগী মমাংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগকী কেম্পেইন-চীং, পাৎ, তুরেল হায়বসিগী মখাদা উনিংথৌ উয়োগ

কৌবা উ থাবগী থৌরম অমা হৌদোকখি। থৌরাং অদুগী পান্দমদি, মনিপুরগী ষ্টেট ত্রি ওইরিবা উনিংথৌ উ থাদুনা অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসিনি।

থৌরম অদু ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগ, সিদস অমসুং এদিটরস গিল্ড মণিপুরনা শিনবনি। থৌরমদুদা শ্রী খেমচান্দনা উনিংথৌ পাম্বীসু থাখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ওলিম্পিয়ান পার্ককী ফিভমসু কুপা য়েংশিনখি। মহাকা পার্ক অদু মীয়ামনা য়েংবা লাকপা য়ানবা নীংথিনা শেমগৎনবসু খঙহনখি।

থৌরমদুদা এম.এল.এ. সোরোকখাইবম রাজেন সিংহ, মনিপুর পুসিল হাউজিং কোরপোরেসন লিমিটেদকী মেনেজিং দাইরেক্তর-এল. কাইলুন, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলম্ব রাজকুমার, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর-ডা: টি. ব্রজাকুমার, এদিটরস গীল্ড মনিপুরগী মেম্বরশিং, মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংসু শরুক য়াখি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঐতিহাসিক ওইরবা কংলা শেম শাগৎপগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথাক্কুনা খন্নখ্রে।

কংলা মনুংদা লৈবা জেনেরেল স্লিমগী কোতেজদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন সিংহ, এম.এল.এশিং অমসুং সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুনা পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা কংলাগী মরুওইবা মফমশিং মতমগা চুননা শেমগৎনবগী মতাংদা কুপা খন্নখি হায়রি।

**ফয়ার (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কান্তো সবলদা ঙসি কাংলুপকী ওইবা ইরাং অমা শাগৎলকপদগী পুলিসনা মতম চানা লাকশিনদুনা মফমদুদা শান্তি পুরকপা ঙমখ্রে হায়রি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-ঙসি কান্তো সবলগী এরিয়াদা চাউরাকা মীওই ৬০০ রোমনা থোমজিল্লকপগা লোয়ননা ইরাং শাগৎনবা হোৎনরকখি। অদুবু, সেকুর্যরিতি ফোর্সনা মতম চানা চংশিনদুনা চাউনা ইরাং থোক্লমগদবদগী থিংবা ঙমখ্রে। মশক খঙদবশিংনা য়ুম খরা মৈ থানবা হোৎনরম্বা অদুসু থিংখি। মাশি মীনা থোকখিদে হায়রি। মসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিস্তার তৌদুনা থিজিনবগী থবক চথরি হায়নসু ৱারোল অদুনা মখা তারি।

**তাইকুন্দো(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ১৯ শুবা গভনরস তাইকুন্দো কপ হৌদোকখ্রে। মসিদা তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ২৯ গী শান্নরোই লিশিং ১,১৪১ না শরুক য়ারি।

ওল মনিপুর তাইকুন্দো এসোসিয়েসননা শিনদুনা নুমিৎ মঙানি চুপা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট অদু হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-১৯৮০ দা মহাকা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকখিবনি। মহাকা হায়-এসোসিয়েসন অসিনা হৌজিক ফাওবদা তাইকুন্দোগী ইন্টরনেসনেল প্লেয়ার ৪০ হেন্না পুথোকখ্রে।

মহাকা হায়-শান্ন খোৎনবনা লমচৎ শাজৎ শেমগৎপদা চাউনা মতেং পাংই। হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা মখোয়গী ওজা-গুরুবু মপুং ফানা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা মখোয়না হায়বা ইন্নবসু তকশিল্লি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়-মুখ্য মন্ত্রিগী লমজিং মখাদা সরকারনা রাজ্য অসিদা তাইকুন্দোগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক লুপা লাখ ২৪ রোমগী ইলেক্ত্রোনিক স্কোরিং ইক্যুপমেন্ট অনি অমসুং বোদি প্রোক্তেরশিং পীখ্রে। মনিপুরগী শান্নরোইশিংনা জাতি অমদি মালেগী থাক্তা রাজ্য অসিগী অমদি লৈবাক্কী মিংচৎ

পুরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু মহাকা ফোংদোকখি।

থৌরমদুদা এম.এল.এশিং- হৈখাম দিংঙো সিংহ, সৈখ নুরুল হাসন, য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেটরি-নাওরেম প্রবিন অমদি দাইরেক্তর-ময়েংবম ভেতোসু শরুক য়াখি।

**গেমস (এল)ঃ** অহানবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ২০২৬ লোয়শিনবগী থৌরম হয়েং মোইরাংগী চেংগৈ লম্পাক্তা পাঙথোক্কনি।

থৌরমদুদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহসু শরুক য়াগনি।

**লিলোং (এল)ঃ** ‘একচেঞ্জ ওফ এক্ট এন্দ থোদস’ হায়না মিংথোনবা থৌরম অমা ঙসি লিলোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমশু) গী হান্নগী প্রসিদেন্ট-এন.জি. নোংয়াই, অম্বাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট-এম. নিলচন্দ্র সিংহ, স্কুল অসিগী প্রসিন্সপাল অমসুং ওজাশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এন.জি. নোংয়াইনা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক তংদু লৈতাদবগী ফিভম লৈরিবা অসি মনিপুরগী ৱাংমদগী মীতোপ চংশিল্লকপদগীনি। মরম অসিনা, সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎতুনা কোর্টকী ৱায়েল অমসুং মীৎয়েং মখাদা এন.আর.সি. অপদেট তৌবনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমগনি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** ময়াই লম্বী কলেজগী ইন্টরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেলনা শিনদুনা মহৈরোইশিংগী ওইবা ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল-ডা: য়ুমাম বিহারি সিংহ, সেলগী

কো-ওর্দিনেটর-এন. সদানন্দা সিংহ, ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**এআর(এল)ঃ** ৱাৰ্ল্ড পোপুলেসন ডেগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ককচিং জিলাগী উমাথেলদা লৈবা জৱাহর নোবোদয়া বিদ্যালয়দা ঙসি কম্ম্যুনিতি এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

জেন্দর এক্কেলিতি হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু নুপা-নুপী থোং মানহনবা, নুপীদা অহেনবা শক্তি পীবা অমসুং ইমুং মনুংগী ওইবা দায়ত্ব পুন্না লৌমীন্নবা হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকপনি। থৌরমদুদা মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াখি।

লমদম অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহন্নবগী মায়কৈদা থাংজিনবা খোঙথাং অমা ওইনা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা চান্দেল জিলাগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী মীহুৎশিংগা ৱারী-ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমসু ঙরাং পাঙথোকখ্রে। অমগা অমগা থাজনবা হেনগৎহন্নবা, লান্মী অমদি মীয়াম মরক্তা তেংবাং পীনবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা তুং কোইবা, শান্তি, নুংশি চান্নবা পুরক বগী পান্দমদা মীফমশিং অদু পাঙথোকখিবনি।

অসাম রাইফলসনা ফৌবাকচাউগী মৈরা পায়বীশিং, লিলোংগী মুস্লিম লুচিংবশিং, হৈনৌপোককী ৱার্ড মেম্বর, শিংজমৈগী সোসিএল মেদিয়া ইনফ্লুয়েন্সর, মাইবম সোসিএল ক্লব অমদি খুল অমসুং কাংলুপকী লুচিংবা কয়াগসু লমদমসিদা নুংশি চান্নবা অমদি মীয়াম অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী মরক্তা অফবা মরী থমবগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ন্যুজিলেন্দা লৈবা ভারত মচাশিং অসি লৈবাক অনিগী মরী ফগৎলক্লিবা অসিগী মরুওইবা যুন্বী অমনি।

ওকলেনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ভারত মচাশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী

মোদিনা হায়-ভারত অমসুং ন্যুজিলেন্দগী মরী অসি মরুপ-মপাং ওইবা অমদি তুংগী য়াইফনবগীদমক শেমগৎপনি। শ্রী মোদিনা হায়-ওকলেনদগী ৱেলিংতোন ফাওবা, খৃষ্টাই চর্চতগী কুইনজ টাউন্দ ফাওবদা ভারত মচাশিংনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-চহি ৪০ গী মতুংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা ন্যুজিলেনদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংদা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ১৪০ গী য়াইফ পাউজেল পীরি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ন্যুজিলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি-খৃষ্টোফর লক্সননা লৈবাক অনিগী মরক্তা শেল থুম অমদি অতৈ লম কয়াদা অচেৎপা মরী লৈনরক্লিবা অসিবু নৌহৌনা শিংথাখি। মহাকা হায়-ন্যুজিলেন্দ-ইন্দিয়া ফ্রি-ত্রেদ এগ্রীমেন্ট সহি তৌনখিবা অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক তৌনবগী লমদা অনৌবা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লগনি।

থৌরমদুদা লৈবাক অদুদা লৈবা ভারত মচা লিশিং তরা হেনবনা শরুক য়াখি।

নুমিৎ নিনিগী ন্যুজিলেন্দ খোঙচৎ লোয়শিনবগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি ভারত পাংলকখ্রে।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হৌগৎলক্লিবা মীরোলদা মখোয়গী মতিক মগুন হেনগৎহনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরিবা লাইব্রেরীশিং শিজিন্ননবা আপিল তৌরি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি জয়প্রকাস নরায়ন পব্লিক লাইব্রেরী শঙ্গাবগী থৌরমদা শ্রী সাহনা হায়-লোক নায়ক জয় প্রকাশ নরায়ন অসি শিংথানিংঙাই ওইবা নীংতম লান্মী, ৱাখল লৈবা জাতিগী লুচিংবা অমনি। মহাকা লৈবাক অসিগীদমক শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া তৌরম্মী।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিবু অমদি মীয়ামগী মরমদা নীংথিনা মশক

খঙনবগীদমক লাইরিক পাবা হায়বসি য়াममক তঙাইফদে। লৈবাক অসি শেমগৎপদা লাইব্রেরীগী থৌদাংবু শিংথারদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-লাইব্রেরীশিং অসি লৈবাক অসিগী সংস্কৃত্তি অমদি গ্যান লৌশিংবু শন্দোকপগা লোয়ননা মতমগা চুন্নবা শিক্ষা ফংনবগী শক্তি লৈরবা পাস্বে অমনি। শ্রী সাহনা হায়-লৈবাক অসি শেমগৎপা অমদি মিংচৎ পুরকবগীদমক গ্যান লৌশিং নীংথিনা লৈবা তাই।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ভারতনা লমদমসিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা ঙাকশেলগী শক্তি অমদি চাউখৎলবা টেকোলোজিশিং মপুং ফানা শিজিন্নদুনা শক্তি লৈবা, মীপাল তাংদবা অমসুং তুংগীদমক শেম শারবা দিফেন্স ফোর্স অমা শেমগৎলি।

মহাকা হায়-তুংদা থোক্লকপা লানফম কয়াদদি আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স অমদি অতৈ মতমগী ওইবা টেকোলোজিশিং শিজিন্নরকপা য়াই। অদুবু, মখোয়শিং অদু জাতিগী ওইবা অচেৎপা ফিরেপ, থৌনা ফরবা লান্মীশিং অমসুং লান্মীগী তৌবা ঙম্বগী শক্তিনা মায়থিবা পীবা ঙমগনি।

শ্রী রাজনাথনা হায়-আত্মা নিরভর ভারতকী মীৎয়েং মখাদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা লান্মীগী শক্তি অমদি মতমগী ওইবা টেকোলোজি পুন্না শিজিন্নদুনা ঙাকশেলগী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ভারতনা হোৎনরি।

বিশ্বখাপতনমদা লৈবা ইষ্টর্ন ফ্লিটতা ঙসি লৈবাক অসিনা শাজবা ষ্টিলথ ফ্রিগেট আই.এন.এস. মহেন্দ্রগ্রীরি ভারত নেভিদা খুৎশিন্নবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-মসিনা ভারত নেভিগী শক্তি অমসুং ঙাকশেলগী লমদা তৌবা ঙম্বগী শক্তি হেনগৎহন্দুনা অনৌবা খোঙথাং অমা থাংজিনবা ঙমহল্লগনি।

**ডেঃ** কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ যুম্বাল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হায়রি-ৱার্ল্ড পোপুলেসন ডেনা মশা-মশানা য়ানিংনা ফেমিলি প্লান্নিং তৌদনা মশা-মউ ফবা ইমুং অমা ওইহন্দুনা পুমমক্কী চাউখৎপা পুরকবগী যুম্ফম থোন্নবগী মরুওইবদু

নীংশিংহল্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী নদ্দানা হায়-অঙাং অমসুং মমা অনিমক্কী মশা ফাহন্নবগীদমক হেলদি টাইমিং এন্দ স্পেসিং ওফ পেগেনেসিজ হায়বা থিম অমদি ‘অঙাংগী নাউরোল লাউহল্লবদি ইমুং মনুং হকচাং ফনা অমদি নুংঙাইনা হিংবা ঙম্মী’ হায়বা কেম্পেইন স্লোগানগী মখাদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

**ব্রিক্সঃ** মহারাস্ত্রগী নাগপুরদা পাঙথোকখিবা ব্রিক্সকী মন্ত্রিশিংগী মীফমনা ত্রান্সপোর্টকী লমদা টেকোলোজি অমসুং ইনোভেসনগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি-নিতিন গদকারিনা সভাপতি ওইদুনা ফমখিবা মীফম অদুগী তুংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী গদকারিনা হায়-ঙসিগী মীফম অদুদা লন্বী থোং শেম্বা মতমদা মহৌশাগী ফিভমদা শোকহন্দবা অমদি পোলুসন লৈতবা ফ্যুয়েল শিজিন্ননবগী মতাংদা খন্নখি।

নুমিৎ নিনি চথুগদবা মীফম অদুদা ব্রাজিল, চিনা, ইজিপ, ইন্দোনেসিয়া, ইরান, রাসিয়া, সাউদি অরাবিয়া, সাউথ আফ্রিকা, ইথোপিয়া অমসুং য়ু.এ.ইগী ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রিশিংনা মখোয় মখোয়গী ৱারোল ফোংদোকখি।

**ন্যুক্লিয়ারঃ** লৈবাক অসিদা ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি চাউখৎনবা স্কিম-সসটেনেবল হারনেসিং এন্দ এদভান্সমেন্ট ওফ ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি ফোর ত্রান্সফোরমিং ইন্দিয়া (শান্তি) এক্ট-২০২৫ গী মতাংদা ন্যু দিল্লিদা নিতি আয়োগনা শিনদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। এক্ট অসিনা ২০৪৭ ফাওবা ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি কেপাসিতি গীগাৱার্ট ১০০ পুথোকবা পোলিসি অমসুং অরিবা মতমগী ন্যুক্লিয়ার ইনর্জিগা মরী লৈনবা এক্টশিং শিন্দোক্কনি।

মীফম অদুদা নিতি আয়োগনা নৌনা শেল্লবা শান্তি এক্টকী মতাংদা অকুপ্পা

ৱারোলশিং থমখি। ন্যুক্লিয়ার সেক্তরশিংদা মথৌ তৌরিবা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা এক্ট অসিনা চলাইবদা থেংনগদৌরিবা শেল থুমগী ওইবা অমদি খুদোংথিবা থোক্তনবা করম্বা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎকদগে হায়বগী মতাংদসু খন্নখি।